HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা তোপ মখা লৈকায়গী নেশনল ফুদ সিক্যুরিটিগী শোপ নম্বর ৯৭না কোনবা মীয়ামদা চেঙ ফংহন্দ্রে হায়দুনা পেন্দবা ফোঙদোকখিবা

লৌশিং পূক্কে : মোবাইল ফোন পায়বদগী ঙাইহাক... লামায় ২
লামায় ৪ মণিপুরগী ঈশিং ঈচাও
চীন্না ফাওবা পন্নীংদে ‘কন্সপিরেসি থিওরি’ লামায় ৫
লামায় ৬ মীচঙ-মীখায় নাইবা এদমিনিষ্ট্রেশন হৈতবা গভর্ণর...
এ সীগী টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ২০দগী... লামায় ৮
লামায় ১০ এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ : অর্জেন্টিনানা...

খ্বাইরক্পন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ফোর পীসনা শীন্দুনা কৈথেল ফম্বীশিংনা লৈঙাক হৈতবা অমসুং মতিক চাদবা গভর্ণর ফম থাদোকউ হায়বা খোল্লাও লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা



Vol. 49, Issue No. 072 | শগোলশেন, ইঙাগী ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 12, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস লোয়শঙদা ৱাহং

## মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী রিপোর্টকী মতাংদা এসেমব্লিদা ‘ব্রিচ ওফ প্রিভিলেজ’ গী থৌওং চথখিব্রা

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা সেন্টর ফোর ওর্গনাইজেশন রিসর্চ এন্দ এদ্যুকেশন (কোর) খক্তা নত্তনা এলদর্স কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ডা. লাইফুংবম দেবব্রত্ত রোয়না ঙসি চীফ সেক্রেটরিদা পীশিনখিবা চেরোল অমনা ৱাকৎখিবা ৱাফমশিং অসিনা অচুম্বা ওইরবদি মণিপুর লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস লোয়শঙনা ষ্টেট অসিগী টেম্পল ওফ দেমোক্রেসি ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ‘ব্রিচ ওফ প্রিভিলেজ’ গী থৌওং চথখিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

ঙসি চীফ সেক্রেটরিদা পীশিনখিবা চেরোল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না জুন ২৭, ১৯৯৮দা লিংখৎখিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন (এম ঐচ আর সী) গী মায়কৈদগী অহানবা এন্যুএল রিপোর্ট (২০২০-২১) পু লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস লোয়শঙগী খূৎথাংদা ষ্টেট লৈঙাক্তা সবমিট তৌখি হায়বসিনি।



রিপোর্ট অসি লোয়শঙ অসিগী খূৎথাংদা সবমিট তৌখিবগী মরমদি লোয়শঙ অসিনা দিজিগনেটেদ নোদল দিপার্টমেন্ট ওইবদগীনি হায়রি।

অদুগা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট-১৯৯৩গী সেক্সন ২৮গী মতুংইন্না ষ্টেট কম্মিশননা মসিগী এন্যুএল রিপোর্টশিং মণিপুর লৈঙাক্তা পীখৎকদবনি অদুগা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা কম্মিশননা পীখৎলকপা রিপোর্ট অদু ষ্টেট লেজিসলেচরদা টেবল তৌগদবনি হায়বা য়াওরি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### অমিট শাহ উনরুরবা মতুংদা বিরেন ১সুং এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা হল্লকখ্রে

## মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু পামহৌরি : এন বিরেন

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেম্বা লৈঙাক ‘পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট’ অমা লৈহনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু পামহৌরি হায়রদুনা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা অথুবা মতমদা লৈঙাক লৈহন্নবা খন্নরগনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌরকপদগী রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগা লোয়ননা দেল্লীদা চৎতুনা তাঙ্কক অনীরক থোক্লা উনরুরবা মতুং ঙসি নুংথিল ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।



মখোয় অনী ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা এয়রপোর্টতা থুংলখি। বিরেননা হায়, থা অসিগী ৯দা দেল্লীদা থুংবগা পন্থদনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ফম্মিন্নখি অদুগা ঙরাংসু নুমিৎয়ুংবা মতুংদা অমুক হন্না ফম্মিন্নদুনা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা পুথোক্তুনা কুপ্পা খন্নখি হায়রি।

হোম মিনিষ্টরগা অনীরক থোক্লা উনবদুদা ফোঙ শানা মায়োক্নখিবা বন্দগী ৱাফম, লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরকপদগী মযূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা মীওইশিং, লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রিবনচিংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### স্পেশল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) না চহী ১০গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

জন্যুৱারী ১২, ২০১৮দা মতম অদুগী এন এ বি পুলিস ষ্টেশনগী ওফিসর পি জেফ্রিনা লুচিংবা টিম অমনা শামুরৌ কৈথেলগী মফম অমদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### এম য়ুগী এগজামিনেশন

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেশন্স টি শান্তিকুমারনা ঙসি থোকপা নোটিস অমদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখিবা অনীশুবা অমসুং মরিশুবা সেমিষ্টরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### অসেম কাননদা তৌরিবা চার্জশিং লৌথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদা উরিপোক্তা লৈবা ইবোতোনসনা গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনাক্তগী ফাখিবা অরান্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### বিষ্ণুপুরগী কর্ফিয়ু

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমদা হয়েং অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম পুম্নমক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্কনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### চরোই খুল্লেন্দা চঙলুবা নহা অনী কনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুংথিল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লোক্তাক পি এসনা কোনবা চরোই খুল্লেন এরিয়াদা মোবাইল ইন্টরনেট শন্বা চঙলুবা নহা অনী এ টি য়ুনিট-৩৮গী তেঙ্গোল্লোইশিংনা থেংনহৌবদগী মতম চানা কল্লগা মখোয়গী অহল লমনশিংদা তেক্ত-কায়দনা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মণিপুরদা বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রে, দেল্লীদা কৈথেল কাবগুম কোইচৎ চৎতুনা লৈরে : সোতিনকুমার

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রে, মসিগী মহুত্তা দেল্লীদা কৈথেল কাবগুম্না কোইচৎ চৎতুনা লৈরে হায়রদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম কনবা ঙমগদবা অনৌবা লৈঙাক অমা মথৌ তারে হায়না সী পি আইগী মরু ওইবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইবদা নত্তনা হান্নগী পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইরম্বা লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

### মণিপুরগী মীয়াম কনবা ঙমগদবা অনৌবা লৈঙাক অমা মথৌ তারে : সী পি আই



ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

এল সোতিনকুমারনা মখা তানা হায়, ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি হায়নীংঙাই লৈতনা নোংমনোংমগী খুদোংথীনীংঙাই ওইবা, য়াম্না শাথীবা অৱাবা ফীভ মতমা মায়োক্নদুনা লৈরে। লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তমদা ...মখা লমায় ৬ কলম ১

## নুমিৎ ১০নি কৌখিবা মণিপুর বন্দ মনুংদা সেন্ট্রেল ফোর্সনা ‘হুইয়েন লানপাউ’ গী ষ্টাফ অমগী গাড়ী মখোঙনা কাওদুনা ইন্তুবদগী মহাক্কী কম্মান্দরনা ৱারকখ্রে



টিদ্দিম লম্বীগী থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা ‘হুইয়েন লানপাউ’ গী ওফিস বিল্ডিং মনাক্তা খাম্বা পাউচে অসিগী ষ্টাফ অমগী গাড়ী মচাদা খোঙপাক্না কাওদুনা ইন্তুখিবা সেন্ট্রেল ফোর্সকী পর্সনেল অমবু মহাক্কী কম্মান্দরনা ৱার্নিং তৌখিবা (ওই) খোঙপাক্না কাওদুনা ইন্তুরম্বা গাড়ীবু হৌগৎপা

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদা অরান্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অমা ওইরিবা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদগী অসেম কাননবু মহাককী তেঙ্গোল্লোই ৪ অমসুং মশাগী গাড়ীগা কোন্ননা ফাদুনা পুখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অরান্বাই তেঙ্গোলনা মীয়ামগা লোয়ননা নুমিৎ অদুগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৭ তারকপদা মণিপুর পুম্বদা নুমিৎ ১০নিগী বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি লাউথোরকপদগী চথখিবা অকনবা বন্দগী নীনি চনবা নুমিৎ থা অসিগী ৯গী নুমিদাংদা টিদ্দিম লম্বীগী থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা ‘হুইয়েন লানপাউ’ গী ওফিস বিল্ডিং মনাক নক্লা খাম্বা পাউচে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## খুয়াথোংদগীনা এসেমব্লি ফাওবগী থাংমৈবন্দ লম্বীগী ফুট পাঠশিংগী মথক্তা হোটেল ফমজিল্লম্বা য়াওরে

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা নাগামপালদগী অৱাংলোমদা হাইগৎলগা খুয়াথোংদগীনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমসুং লিলাসিং খোংনাংখোঙ ফাওবগী থাংমৈবন্দগী লম্বী পরিংগী মতাইদা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌনবা থল্লিবা ফুট পাঠকী মথক্তা হোটেল ফমজিল্লম্বা য়াওরে।

...মখা লমায় ৬ কলম ৫



## ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী স্কুলশিং হাংলগনি

**ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৭/২৮দগী নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা চুখিবা নোংনা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা মফম কয়াদা তুরেল তোর্ব্বান কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নহনখিবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লৈঙাক্কী, গভর্ণমেন্ট-এদেদ অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংদা কালেন ছুটিগী মতম শাংদোকহন্দুনা থিংজিন্দুনা থল্লকখিবদু হয়েংদগী মহৌশাগুম হাংলগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা ঙসি থোকপা ওর্দরশিংনা খঙহল্লক্লি।

মরম অসিনা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা মহৈশঙশিংগী জেদ ঈ ও/প্রিন্সিপাল অমসুং হেদ মাষ্টরশিংনা মখোয়গী মহৈশঙশিংবু মহৌশাগুম্না হাংদোকপা য়ানবগীদমক চপ চাবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওর্দর অসিদনা মহৈশঙশিংগী হেদশিংনা ঈচাওনা শোকহল্লবা স্কুলশিংবু নীংথিজনা শেংদোকপগী থবকশিং পায়খৎকদবনি। জেদ ঈ ওশিংনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈশঙশিং অমুক হন্না হাংদোকপগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং নুমিৎ খুদিংগী পীখৎলক্কদবনি হায়রি।




HL-B/9622/12